# পোকনাফম লৈবাক স্পোর্ট

SUNDAY, FEBRUARY 09, 2014, PAGE 7




*সিখর ধৱাননা অহানবা টেষ্টকি ৩ নি চনবা*
*নুমিত্তা অনীশুবা ইনিংসতা ন্যুজিলেন্দগী*
*মায়োক্তা সোর্ট অমা য়ৈখিবা*

*সোচি ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা*
*অহানবা গোল্ড লৌখিবা*
*আমেরিকা মচা অমা*



# রুসিয়াগী সোচিদা ৱিন্টর ওলেম্পিক হৌদোকখ্রে



*সোচি, ফেব্রুৱারী ০৮ঃ*

রুসিয়ানা য়ুম্ভু ওইদুনা সোচিদা হন্দক চহী অসিগী ওইনা ৱিন্টর ওলেম্পিক সোচি গেমস হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকি প্রসিদেন্ট বরাক ওবামাসু শরুক য়াখি।

মীওই লীশিং ৪০ চনবা ষ্টেদিয়ম অদুদা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকখিবা এথলেট অমদি ওফিসিএলশিংগা লোয়নননা কলরফুল ওইবা মৈগী কুম্মৈগা লোয়নননা হৌদোকপগী থৌরম অদু পাঙথোকখি। ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ৱাঙাংলোই অমা ওইখিবা মার্ক অদামনা ফোঙদোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা তোঙান তোঙানবা এথলেটশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং উখোক্তুনা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা মখোয়গী ফুট ষ্টেফ শেমনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মৈগী কুম্মৈশিং অদুগা লোয়নননা ওলেম্পিক্কী সিম্বোল ওইরিবা অমনা অমবু য়েৎশিন্নরিবা রিং মঙা অদুসু নীংথিনা ষ্টেদিয়ম অদুগী অহাঙবদা পাইহনখি।

সোচিগী গেমস অসি টিলিভিজনগী খুত্থাংদা পৃথিবীগী মীয়ামদা নীংথিনা য়েংহন্নবা থৌরাং কয়া অমসু পায়খৎলি হায়না ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিগী ৱাঙাংলোই অসিনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ওপনিং সেরিমোনিগী থৌরমশিং অসিসু মীয়ামদা নীংথিনা উহন্নবা য়াম্না টেক্নিকেলগী ওইবা মওংদা শীল লাঙদুনা পৃথিবীগী মীয়ামদা মপুং ফানা উহনবা ঙম্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌদোকপগী মরী লৈননা ওলেম্পিক অসি হৌদোক্লে হায়না মৈরা শুখৎখিবা মীওই অসি ফিগর স্কেটিংদা চহী অহুমলক থংনা থংননা গোল্ড মেদল লৌখিবা ইরিনা রোটনিনানি। মহাক অসি ফিগর স্কেটতা মমিং লৈবা শান্নরোই অমসু ওইরি। মহাক্না লোয়নননা আইজ হোক্কিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা ভালদিসলব ট্রিটিকনা টোচ রেল্লি অদু লোইশিন্দুনা ইরানি রোটনিনাদা শিন্নখি।

রোটনিনা অসি ৱিন্টর ওলেম্পিক্তা খ্বাইদগী শিংথানবা য়াবা পৃথিবীদা লৈরিবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা মশক নাইবা মীওই অমনি হায়না সোচি ৱিন্টর ওলেম্পিক্কী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চীফ ওইখিবা দিমিট্রি চেরোনয়েসনোকনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মেন ষ্ট্রেদিয়ম ওইরিবা ওপনিং সেরেমোনি পাঙথোক্লিবা মফম অসিদা টিনখিবা মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাহৈদি ফ্রিদম ওফ স্পিচ ইজ ফ্রিদম হায়বা ৱাহৈশিং অসি ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই রোটনিনানা ইং ১৯৭২, ১৯৭৬ অমদি ১৯৮০ দা পাঙথোকপা ৱিন্টর ওলেম্পিক য়াওনা সম্মর ওলিম্পিক্তসু ফিগর স্কেটিংদা গোল্ড মেদল লৌখিবা এথলেট অমনি।

অমরোমদা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিবু য়াওবা লাকখিবা শান্নরোইশিং তোংলকখিবা টরকি ফাওরগা লাকখিবা প্লেন অমা য়ুক্রেনগী মীওইশিংনা সোচি য়ৌদ্রিঙৈগী মরক্তা মখোয়না তোঙলিবা প্লেন অদু হায়জেক তৌরে করিগুম্বা মখোয়না হায়বা মায়কৈদা প্লেন অদু থৌদ্রবদি বোম পোকখায়হনগনি হায়দুনা কিহনখি।

য়ুক্রেনগী মীওইশিংনা হায়জেক তৌরে হায়রিবা প্লেন অদুদা পুন্না পেসেঞ্জর ১১০ তোংখি। মখোয়না হায়বা মতুং ইন্না ষ্টানবুল লোমদা প্লেন অদু থৌনবা পুং ৪ রোম মফম অদুদা দিটেন তৌদুনা থমখি। তুংদা সেক্যুরিটিগী মীওইশিংনা চেক তৌবা মতমদা মীওই অদুনা মঙোন্দা বোম য়াওই হায়না ক্লেম তৌরবসু মহাক্কী মশাদা বোম অমত্তা য়াওরমদে হায়রি। মসি য়ুক্রেনগী সেক্যুরিটি সার্ভিসনা ফোঙদোরকখিবনি।

লোয়নননা পেসেঞ্জরশিংদা বোম য়াওই হায়না কিহল্লিবা মীওই অদু য়ু ঙাওবা অমনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

# কে ৱাই সি কখুলোংনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*চেম্পিয়ন ওইখ্রবা কে ৱাই সিগী শান্নরোই অমদি ওফিসিএলশিং*

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

কে ৱাই সি কখুলোংনা অনীশুবা শগোলবন্দ কেন্দ্র ৭ এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

শগোলবন্দ মন্ত্রিময়ুম লৈকাই, ভলন্টরি ওর্গনাইজেসন্না শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৫ দগী টিম ১৪ না শরুক য়াদুনা চথ্বরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা কে ৱাই সি কখুলোংনা কে টি ঐচ এল ৱাই ও ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাইবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

কে ৱাই সিগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু পাওথুই মরিংমৈনা ২৩ অমদি লমজাংমৈ কামৈনা ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বিক্রমজিৎনা ১৫ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়রনা কে ৱাই সিগী অঙম্পু মরিংমৈনা তাখি। বেষ্ট গোল কিপ্পরনা কে টি ঐচ এল ৱাই ওগী অথৌবনা, টোপ স্কোলরনা কে কে এস সি কৈশামথোং খুলগী পাউখমলুংনা তাখি। বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না পি বি ৱাই সি পাওনা বজারনা তাখিবগা লোয়নননা বেষ্ট ড্রেস টিমগী মনানা এস এস এ এন শগোলবন্দ থাংজম লৈরক্না তাখি।

# সঙ্কর, বোইবোইচানা পোইন্ট মান্ননা ফংলগা মাঙজিল থামিন্নরি



*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

ৱাঙ্খে মৈহৌবম লম্পাক্কী লিজার্দ কম্ম্যুনিটি হোলদা এলাংবম সুরজ মেমোরিএল ট্রষ্ট ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্না শীন্দুনা চথ্বরিবা এলাংবম কুঞ্জেশ্বর সিংহ মেমোরিএল ফাষ্ট ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ৬ শুবা রাউন্দগী শান্নবা লোইবা ফাওবদা ৱাই সঙ্কর অমদি এন বোইবোইচানা পোইন্ট ১৫–১৫ ফংলগা পুন্না মাঙজিল থামিন্নরি। টুর্নামেন্ট অসি হয়েং লোইশিল্লগনি।

ঙসি শান্নখিবা ৬ শুবা রাউন্দগী মেটচশিংদা ৱাই সঙ্করনা রোনালবু, এন বোইবোইচানা কে ঐচ ওলেবু মায়থীবা পীরগা পোন্ট ১৫–১৫ ফংদুনা মাঙজিল থাখিবনি।

অতোপ্পা শান্নখিবা মেটচশিংদা এল কোইরেং, এস শ্যামসন, এল অতেনবী, ও নিংথেম, অরিবম অনন্দ শর্ম্মা, এস বোইনাও, কে কুঞ্জবিহারি, এম রেন্দ্র, পি ঐচ গোপেশ্বর, এন য়ুহেনবা, আর কে পকাসনা, এল ইবুংঙো, এন তোলপিশক, এল শ্যামকিশ্বর, মালেমঙানবা তোইতাম, কে রাহুল অমদি জি এ এরোসমিট মায় পাকখ্রে।

এন বঙ্কিম অমদি কে ঐচ সঞ্জোয়, এল য়ামেন অমদি এল ইবুংঙোমচা, ৱাই য়াইস্না অমদি কে সরতকি মেটচ দ্রো ওইখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা ৫ শুবা রাউন্দগী টেবল নম্বর ১ গী মেটচতা আর কে এপোলোস্না অমদি এন বঙ্কিম দ্রো ওইরগা মথংশিংনা পোইন্ট ১১ অমসুং ১৩ ফংখি। টেবল নম্বর ২ দা এল কোইরেং অমদি এস শ্যামস্না শান্নখিবা মেটচতসু দ্রো ওইখিবগা লোয়নননা মথংশিংনা পোইন্ট ১১ অমসুং ১০ ফংখি। টেবল নম্বর ৩ দা শান্নখিবা মেটচতা কে ঐচ সঞ্জোয়না এল অতেম্বীবু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ১২ ফংখি।

# ক্রাওনা পি সি সি থোইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথ্বরিবা অহানবা এম সি এ প্লেট গ্রুপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রাও খন্নাম বজারনা পি সি সি ময়াইকোইবীবু রন ৫৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা চথ্বরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা ইনিংসতা ক্রাওনা টোস ঙম্লগা হান্না বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩৫ দা ওল আউট ওইরগা রন ১৩৩ লৌখি। অনীশুবা ইনিংসকি বেটিং তৌখিবদা পি সি সিনা ওভর ২৭.৩ দা ওল আউট ওইরগা শুপ্নতগী রন ৮০ খক লৌবদগী রন ৫৩ দা মায়থীখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা ক্রাওগী ৱাসিংতন্না ৱিকেট ৪ লৌরগা তাখি। হয়েং ওস্কার পাওনা বজারগা দব্লিউ সি এ তেরা য়েংখোম লৈরক্না শান্নগনি।

## বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ঃ*

উচিৱা ৱাংমা পোপুলর ৱেলফিয়র ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসগী গ্রাউন্দদা চথ্বরিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র অমদি ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা জুনিয়রগী লীগ মেটচশিংদা কে এস এল ইরমসিফাইনা এস ৱাই দি সি সম্হেল অমদি এম আই এম ময়াং ইম্ফাল মাইবম্বু মথংশিংনা সেট ৩–১ / ৩–১ দা মায়থীবা পীখি। ভেটরানগী শান্নখিবা মেচটতনা সুপর ভেটরান মণিপুরনা ৱাই য়ু সিবু ৩–০ দা মায়থীবা পীখি।

## জে এ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ঃ*

জুবেনাইল এসোসিয়েসন ককচিং মখা লৈকাইনা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী গ্রাউন্দদা চথ্বরিবা অনীশুবা জে এ দিষ্ট্রিক্ট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এফ এস সি ককচিং চুমনাংনা জে এ ককচিং মখা লৈকাইবু গোল ৪–১ দা, দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীনা এস দব্লিউ এস সি ককচিং ময়াই লৈকাইবু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। সাও ককচিং অমদি এস দব্লিউ সি ৱাইখোং গোল ১–১ দা দ্রো ওইখ্রে

# মণিপুরনা সিক্কিম থোইরগা গ্রুপকি ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

আইজোলদা চথ্বরিবা ৫ শুবা ডা টি আও মেমোরিএল নোর্থ ইষ্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী লীগ মেটচতা মণিপুরনা সিক্কিমবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপকি ৱিন্টর ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুর অমদি সিক্কিমনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মণিপুরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ সটিশনা ৭৩ শুবা মিনিটতা ইম্রান খানগী পাসতা চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা গোল অমত্তা চনবা ঙমনখিদে। হয়েং মিজোরাম অমদি মেঘলয়ানা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী ফলনা মণিপুরনা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদবা টিম অদুগী লাইবক লেপকনি।

# মণিপুরগী নুপামচা টিম মেটচ অনী মায় পাকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

চেন্নাইগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথ্বরিবা ৩৬ শুবা সব জুনিয়র নেসনেল বোল্লিবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী গ্রুপ সিগী লীগ মেটচতা মণিপুরগী টিম্না মেটচ অনী থংননা মায় পাকখিবগা লোয়না ক্বার্টর ফাইনেল চঙনবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

মণিপুরগী নুপামচা টিম্না অহানবা মেটচতা দিল্লিবু সেট ৩–১(২৩–২৫, ২৫–১৫, ২৫–২৩, ২৫–২২) দা অমদি অনীশুবা মেটচতনা হিমাচল প্রদেশপু সেট ৩–০ (২৫–১৮, ২৫–১৫, ২৫–১৮ ) দা মায়থীবা পীখি।

নুপীমচাগী শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচতা মণিপুর পঞ্জাবকি মখুত্তা সেট ৩–০ (২৫–১৯, ১২৫–১৬, ২৫–১৮) দা মায়থীখি। অতোপ্পা শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা পোন্দিচারিবু সেট ৩–১ (২৫–২২, ২৫–১৭, ১৩–২৫, ২৫–১০) দা মায়থীবা পীখ্রে।

# অহানবা টেষ্ট মেটচতা ন্যুজিলেন্দনা রন ৬০৮ লৌখি



*ওকলেন্দ, ফেব্রুৱারী ০৭ঃ*

ন্যুজিলেন্দ অমদি ইন্দিয়াগী লৈবাক অনীগী ওইবা অহানবা টেষ্ট মেটচতা ন্যুজিলেন্দনা ওভর ১২১.৪ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ৫০৩ লৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিনা ঙসি অনীশুবা ইনিংসতা ওভর ৪১.২ দা রন ১০৫ লৌরগা ওল আউট ওইখি। হৌজিক ফাওবদা হোম টিম অসিনা পুন্না রন ৬০৮ লৌখি।

ইন্দিয়ানা অহানবা ইনিংসতা ঙরাং ফাওবদা রন ১৩৯ লৌখি অদুবু ঙসি মখা তানা হুমনি চনবা নুমিত্তা ওভর ৬০ দা ওল আউট ওইদুনা পুন্না রন ২০২ লৌখি। ইন্দিয়ানা ওল আউট ওইখ্রবা মতুংদা হোষ্ট টিম অসিনা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংসতা ওভর ৪১.২ দা রন ১০৫ লৌরগা ওল আউট ওইখি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক ফাওবদা অনীশুবা ইনিংসতা ওভর ২৫ দা রন ৮৭ লৌবদা ৱিকেট অমা তুখ্রে। ইন্দিয়ানা হৌজিক হোষ্ট টিম অসিবু মায়থীবা পীগে হায়রবদি রন ৩২০ হৌজিক লৈরিবা ৱিকেট ৯ অসিনা লৌবগী তঙাইফদবা লৈ। ইন্দিয়ানা ওভর অমদা লৌগদবা রিক্যুয়ার রন রেট অসি ৩.৪৮ নি।

অনীশুবা ইন্দিয়াগী ইনিংসতা হৌজিক বেট পায়দুনা ক্রিসতা লৈরিবা শান্নরোই অনী সিকারা ধাৱননা বোল ৭০ দা রন ৪৯ মসিদা বাউন্দরি ৫ য়াওরগা লৌখিবনি। অদুগা ফাষ্ট দাউন্দদা থোরকখিবা চিত্রেশ্বর পুজারানা বোল ৬১ দা বাউন্দরি অমা অমদি ওভর বাউন্দরি অমা য়াওরগা পুন্না রন ২২ লৌরি।

ইন্দিয়াগী ওপনর ওইনা শান্নখিবা মুরলি বিজয় শুপ্নগী বোল ২১ দা বাউন্দরি অনী য়াওরগা রন ১৩ লৌরবা মতুংদা টিম সোথিগী বোলদা ব্রেদলি ৱেটলিংনা কেটচ তৌদুনা আউট ওইখিবনি। ইন্দিয়ানা ন্যুজিলেন্দগী অনীশুবা ইনিংসতা শুপ্নগী ওভর ৪১.২ দা আউট ওইহন্দুনা রন ১০৫ খক পীখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনদি রন ৱাংখৎখ্রে হায়বা য়াই।

ইন্দয়ানা ঙসি ফাওবদা পুন্না রন ২৮৯ লৌরি। হৌজিক ইন্দিয়ানা হোষ্ট টিম অসিবু মায়থীবা পীগে হায়রবদি রন ৩২০ লৌদবা য়াদে। অহানবা ইনিংসতা ইন্দিয়াগী রোহিট শর্ম্মনা রন ৭২ অমদি অঞ্জিকা রাহনেনা রন ২৬ লৌরগা আউট ওইখিবনি।

ঙসিগী অনীশুবা ইনিংসতা ইন্দিয়ানা রন য়াম্না লৌবা ঙমখি অমসুং ৱিকেটসু অমা খক্তমক তুরি। ইন্দিয়াগী বেটিং লাইঅপকি মতুং ইন্না শান্নরোই কয়ানা পুক্নিং চঙনা থল্লিবা টার্গেট অসি য়ৌনবা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

ইন্দিয়ানা হৌজিক দরকার লৈরিবা রন অসি হয়েং হুমনি শুবা নুমিত্তা লৌবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি।


Millennium Institute of Sciences
*Presents for the first time*
MILLENNIUM SCHOOL
From 2014-15 Academic Session opening
**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**
From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001
**Special features :** AC room for daycare
- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*
@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.
& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.
SL/29/19/B